## এডিটোরিয়েল

### শাংনা রিজার্ভেসন পীবদগী পঙশিল্লকপা

*ভারত সরকার অসি নিংখা তম্লবা মতুংদগী দিমোক্রেসি চৎপা লমদম অমা ওইরকপগী হৌরগা শাংলবা চহি ৬৭ অসি সোসিয়েল ষ্টেটসতা শোংখহৌরবা কাঙলুপনি হায়না লৌবা মীওইশিংগী ওইনা লাইরিক লাইশু তম্বদগী হৌরগা সরকারগী থবক তৌবা ফাওবদা রিজার্ভেসন সিটশিং থমদুনা অমদি মদুগী খুদোংচাবা কয়া পীদুনা লাক্লি। মসিগী খুদোংচাবা অসি লৈবাক অসিগী মনুংদা লৈবা শোংখহৌরে হায়না খনবা মীওই কাঙলুপশিংনা লিশাং শিংনা চহি ৬৮ ফংদুনা লাক্লিবনি অমসুংমসিগী মনুংদা শোংখহৌরবা মীওই কাঙলুপশিংনি হায়না লৌরিবা কাঙবুশিং অদু ঙসিদি খ্বাইদগী হেন্না শক্তি লৈরবা অমদি পুন্না য়েংবা মতমদা খ্বাইদগী হেন্না এদভান্স ওইরবা ইমুং খুদিংমক্তা সরকারগী থবক তৌবা মীওইশিং লৈবগী মথক্তা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট গভর্নমেন্টশিংগী তোপ পোষ্টশিং অসি পায়বা মীওই কয়া লৈরবা চাওখৎলবা মীওই কাঙলুপশিং হায়বদু ওইরে হায়না লৌবা য়াই। মহাত্মা গান্ধিনা ইন্তোকপিরবা ভারতকী মীওই কাঙলুপশিং অসি চাওখৎত্রিবমখৈ ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই হায়না য়াম্না চুম্বামীংয়েং অমদা থমদুনা রিজার্ভেসন পোলিসি শেম্লম্বনি হায়বদা লাল্লোই। হায়রিবা মহাত্মা গান্ধিগী মীংয়েং অসি কংগ্রেসকী ইলেক্সন পোলিসি অমদৌনা শিজিন্নদুনা লাকপদগী হৌজিক রিজার্ভ তৌরিবা সেদ্যুল কাষ্ট অমসুং সেদ্যুল ত্রাইবশিং অসিনা অহেনবা খুদোংচাবা কয়া লৌদুনা মণিপুরগুম্বা ষ্টেট অমদি বেকলোগতা সরকারগী থবক লৌদবা মতমদা লৈগদবা রিজার্ভ সিটশিং অদু পীগদবনি হায়বা দিমান্দ লাকপদগী চাদ ৩৩ গী রিজার্ভেসন অদু মতম অমদদি ষ্টেটসিদা চাদ ৫০ গী মথক্তা রিজার্ভ তৌবা য়াওখ্রবনি। মদুনা অপিকপা রিক্রুইটমেন্টশিংগী পোলিসিদা কম্প্রোমাইজ তৌখিবগী ৱানি। অদুবু রিজার্ভ তৌরিবা মীওই কাঙলুপশিং অসি য়াম্না মরুওইবা দিপার্টমেন্ট খরদদি চৎনদনা লৈবগুম উই। মদুদা হায়রিবা মীওই কাঙলুপশিংগী মায়কৈদগী করিগুম্বা অয়েৎপা অমত্তা লাক্তে। মসি মখোয়না তৌবা ঙম্লোইদবা থবক ঙাক্তা ওইবদগীনি হায়না লৌবসু য়াই।*

*হন্দক মৈতৈ মচা অমনা মণিপুরগী চিফ সেক্রেটরি ওইরকপা মতমদা সরকারগী পোলিসিসু খঙদবা রিক্রুইটমেন্টকী মতাংদসু খঙবা লৈতবা মীওই কাঙলুপশিংনা মণিপুর সরকারনা চিফ সেক্রেটরি হাপ্পদা কম্যুনেল ওইনা হায়না ফোংদোরকপসি রিজার্ভেসনগী কোক্তা চুখিবা ৱাখল্লোন অদুনা ফোংদোরকপা ওইগনি হায়না লৌবা তাই। অদুনা রিজার্ভেসন পোলিসি অসি মমাংদা অদর বেকৱার্দ ক্লাসেস হায়না মীওই কাঙলুপশিংগী মরক্তগী শোংখহৌরবা ইমুং মনুংশিংদা সরকারগী থবক নত্রগা লাইরিক লাইশু তম্বগী লমদা রিজার্ভ সিটশিং পীনবা লৌখৎখিবা থৌরাং অদুনা হেন্না চুম্বা খোঙথাং অমা ওইগনি হায়না খল্লি। মসিদি সেদ্যুল ত্রাইব নত্রগা সেদ্যুল কাষ্ট অমদি জেনরেল হায়না খায়রিবা কেটেগোরি অদুগী মনুংদা লৈবা কেটেগোরি পুন্নমক্তগী লৌখৎলগা শেম্হোক লৈতবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুদোংচাবা পীনবা হোৎনবনি। মরমসিদগী হান্না পীরম্বা এস টি গী রিজার্ভ সিটশিং অসি পুন্না ও বি সি দা পীনবা হোৎনবনা হেন্না চুম্বা সরকারগী পোলিসি অমা ওইরগনি হায়না খল্লি। মমাংদা চিফ সেক্রেটরি হায়রিবা ফম অসি মণিপুরী মচা ঙাক্তনা অয়াম্বা মতমদা পায়দুনা লাকই অমসুং মদুসু মতিক লৈবা মগুন য়াওবা মণিপুরী ত্রাইবেল ঙাক্তনা অয়াম্বনি। মদু পুম্বা সরকারগী পোলিসিনি অমসুং মণিপুরীবু ওইরবদি ফরে খন্না ষ্টেট অসিদা মৱা মনিল অমত্তা নাইদনা খ্বাইদগী চাউবা মীওই কাঙলুপনি হায়রিবা মৈতৈশিংনা থাগৎপা নত্তনা য়েৎপা অমত্তা লৈখিদে। অদুবু মৈতৈশিংগী মরক্তগী থোইদোক-হেন্দোক্লা মতিক চারবা লায়রবা ইমুংদগী হৌরকখিবা মীওই অমনা মহাক্কী মতম শুরদুনা চিফ সেক্রেটরিগী ফম পায়রকপদা কাঙলুপ নাইবা ৱাখল্লোন্দা ফম অসি পুহল্লি হায়না ফোংদোকপসিদি খ্বাইদগী পঙবা মী অমনা ফাওবা অচুম অরান হায়বা ঙমগদবা অমদি মীওই কাঙলুপ খরগী থৌইনশিন নত্রবদি মশাগী ৱাখলনা ফোংদোকপা ঙমদবা মীওই কাঙলুপ খরগী ৱাফোংদোক্লি হায়না ফোংলক্কনি। চিফ সেক্রেটরি খনবা হায়বসি ঐখোয় মীয়ামগী মতনা খনবা য়াদে, মসিদি সার্ভিস রুলশিংগী মখাদা আই এ এস শিংগী মরক্তা থৌ অসি পুবা ঙম্বা অমসুং মশাগী সেনিয়ারিটিগী মতুংইন্না লাকচবা সরকারনা শিনবা থৌশিলদগীনি হায়বসিখক্তং খঙনবা হোৎনবনা চুমগনি।*

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### অরিবা লাইফম্লেন শেমগৎপগী মতাংদা মীয়ামদা পীজবা পাউজেল

*ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,*

সনা লৈবাক মণিপুর অসিদা লৈরিবা জাতি কয়াবু পোকপিরিবা , শাবিরিবা ঙাকপীরিবা থায়নদগী লৈরক্লবা অরুবা লাইফম্লেনশিং অসি শেমগৎনবা হায়দুনা কংলা লাইফম্লেন ইপুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ খুলবুলৈমা ইপুধৌ নোংঙদা লাইরেন পাখংবা ইবেন্ধৌ য়াইস্না থৌগল লোইশঙনা সেন্তরদা হায়জরুবা মতমদা ভারতগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোডিনা সনা লৈবাক অসিদা মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা অরিবা লাইফম্লেনশিং অমুক নৌনা শেমগৎপদা অয়াবা পীরক্লে। মহাক্না হায়রকপদা য়াম্না লিরবা লাইফম্লেন খরগী মরি লৈনবা চে চাংশিং অথুবগী ওইনা নখোয়না হায়বদি ঐখোয়গী লুপ্না শিল্লগা থারকউ হায়না অয়াবা পীবীরক্লে।

মরম অদুনা সনা লৈবাক মণিপুর অসিদা লৈরিবা মৈতৈ / মীতৈ খুদিংনা লৈবাক্কী লুরবা লাইফম্লেনশিংগী মরমদা ৱারী ৱাখোং খঙবীবা লৈরগদি পুন্না সেন্তরদা মরি লৈনবা দোক্যুমেন্তশিং থাগৎহৌবা য়াবগী খুদোংচাবদু লৌবিহৌননবা নোল্লুকচরি। কনাগুম্বনা হিরমসিগী মতাংদা হেন্না কুপ্না খঙবিনিংলবদি ইবুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ, নোংদা লাইরেল পাখংবা থৌগল্লোইশিং অমদি লাইনিং কোল্লোইগী জেনরেল সেক্রেটরি য়ুম্নামচা খুরাইহোংবা সুর্জিৎ মৈতৈ, খুরাই থোইদিংজম লৈকাই, লম্লোং বজার উখ্রুল রোদতা লাকপীরগা অয়ুক্কী পুং ৭ তগী নুংথিলগী পুং ৪ ফাওবদা থৱায় য়াওনা মীয়াম্না লাকপীদুনা মহাক্কা উন্নবীয়ু হায়না হায়জরি।

অমুক্তা হোৎনদুনা অরিবা খুভম শেমগৎপদা মীয়াম্না মতেং পাংবীনবা লাকপীনবা হায়জরি। ঐহাক্লা হায়জরিবা চে চাং শুরবদি। য়াওরবদি শোয়দনা মীয়ামগী ওইনা লৈরিবা লাইফম অদু শানবা হোৎনবদা সেন্তরদগী লৌবা য়াবা মতেং লৌবা ঙমগনি খঞ্জে। য়াম্না তাংনা অমদি হোৎনদুনা ফংলকপনা মরম ওইদুনা য়াম্না তাংবা তাঞ্জা অসি লৌবিহৌ। অসুক শাংবা মতম অসিদা অরিবা খুভমশিং, লাইফম্লেনশিং অসি শেমগৎপা শাগৎপা ঙমদনা লৈরকপনি। মসিবু তুংগী মীরোলগীদমক অমদি লৈবাক্কী ওইনা খঞ্জদুনা শেমগৎ শাগৎপা হায়বসি লুপ অসিগী অপাম্বনি। লুপকী অপাম্বদা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়না হায়জরি।

অদোমগী
য়ুম্নামচা খুরাইহোংবা (সুর্জিৎ) মৈতৈ (জেনরেল সেক্রেটরি)
কংলা লাইফম্লেন ইপুধৌ মার্জিং ইবেন্ধৌ খুলবুলৈমা ইপুধৌ নোংদা লাইরেন পাখংবা ইবেন্ধৌ য়াইস্না লুপ, খুরাই

## স্বামী বিবেকানন্দগী মরমদা নগেন্দ্রনাথ গুপ্তগী ৱারেং-১

লৈবাকপোকপা খুদিংগী...
সত্যম-শিবম-সুন্দরম
কে সি নন্দ

স্বামী বিবেকানন্দনা লৈখিদ্রবা (ইংশক ১৯০২) মতুঙসিদা মাবু খঙবা অমসুং মাগী থবকশিংবু শিংথাবা নোংম-নোংমগী ওইনা ভারত্তদা নত্তনা মালেমগী লৈবাক কয়াদা হেনগৎলক্লি। মহাক ভারত ইমাগী অথোইবা মচাশিংগী মরক্তা অতাঙবা অমা ওইবতা নত্তনা মালেম্না মাবু মীওইবা জাতিগী লুচিংবা গুরু অমা ওইনা লাৎনরি। মহাকপু পাকশন্না খঙনদ্রিঙৈ, ইচম-চম্বা পাখঙ অমা ওইরিঙৈদগী ঐনা মাবু মশক খঙলকখিবনি, কলেজদা ইবানী পুন্না লাইরিক তম্মন্নিরকখি। ছাত্র ওইরিঙৈদা মহাক ময়ামগী লুচিংবা অমগী মওংদা লৈখি, মরুওইনা শান্নখোৎনবা অমসুং হকচাং শাজেলগী থবক্তা মহাক্লা লমজীংখি। মাগী বুদ্ধি লৌশীং অমসুং নীংশিংবা ময়ামদগী হেনবনি।

আমেরিকাদা মাগী অহানবা খোঙচৎ(১৮৯৩ দগী ১৮৯৭ ফাওবা) লোইরদুনা হল্লকখিবদা ভারতপুম্বদা মাগী মায়পাকপগী ৱারীনা নীনবা হৌরকখি, ঐঙোন্দসু মদু অঙকপা অমা ওইনা থোকখি। ভারত্তা লাক্লগা মহাক ঐখোয়গী য়ুমদা নুমীৎ কয়ানিরোম ঐগা পুন্না লৈমীন্নখি। আমেরিকা, ইংলেণ্ড অমসুং অতৈ মফম কয়াদা মহাক্লা থেংনখিবা ৱারী কয়া ঐঙোন্দা পুকচেল তীংনা লীখি। মহাক্লা হনখ্রবা মতুঙ মতম খরা লৈরগা অমুক, ঐনা মাবু উননীংদুনা কোলকত্তাগী মনাক্তা লৈবা মখোয়গী মোনেষ্ট্রীদা চৎখি। মাগী ৱারীশিংদগী খরদং খনগৎলগা ঐনা মীয়াম্না পানবা ইথোকপা হোৎনরি।

বিবেকানন্দনা মপান থোরক্তুনা ভারতকী মীয়াম মরক্তা লম্বোইবা অমা ওইনা চংশিনবা হৌরকখিবা (ইংশক ১৮৯০) মতম অদুদা, ভারত্তি মীখা পোনবা অশোনবা লৈবাক অমা ওইনা লৈরম্বনি। সাহেবশিংনা মখোয়গী শাসন্দা অনৌ অনৌবা আঈন কয়া-কয়া পুথোরক্তুনা মীয়াম্বু হেন্না-হেন্না লাইরহন্নবা, নমথনবা হোৎনখি লোয়ননা মখোয়গী চৎন-লোনচৎ, মখোয়গী শিক্ষা পাথাপ শন্দোক্তুনা মখোয়গী থবক থৌরমদা খুদোং হেন্না চানবা কন্না হোৎনরকখি। মখোয়গী 'ডিবাইড এন্দ রুল' হায়বদু ঙসিসু মীয়াম্না কাউনদ্রি। ঐখোয়গী হান্নদগী লৈজরক্লবা সংস্কৃতি, ধর্মগী ৱাংলবা ফিদমশিং অমসুং চৎন-লোনচৎ অয়াম্বা মমী শান্নকপগুম তৌরক্লম্মী। নোংচুপ লমগী পুন্সি-মরেল মখোয়গী চৎন-লোনচৎ ভারতকী নহাশিংগী থম্মোইদা অকনবা মমী তারকখি। সাহেবশিংগী মপাম্বোংগী পোৎলমশিংদা অমসুং শেল থুমদা থাজবা অমসুং অধ্যাত্মিক্কী ওইবা লোনচৎপু অন্ধবিশ্বাস ওইনা লৌবা অসিনা লৈবাকসিদা কাংখোঙ চাইনবগী মরম ওইরকখি। চীরোল তৌবা, অঙম্বমীদা নপচবা, নমথাক তৌবা, কান্নবতা থিবা অসিগুম্বা ৱাখল অমসুং লোনচৎ পাকশন্না শন্দোরকখি।

মতাঙসিদা, নরেন্দ্রনাথ দত্ত দগী স্বামী বিবেকানন্দ ওলহনখিবা মাগী গুরু রামকৃষ্ণ পরমহংসগী মরমদা ৱাফম খরদি থমখিগে খল্লি। লৈবাক্কী চরাংনরবা অমদি নীংবা কায়নীংঙাই ওইরবা তাঞ্জাসিদা কলকত্তাদগী অৱাংলোমদা খরা চৎলগা লৈবা দক্ষীনেশ্বরদা মতীক মগুন লৈরবা সাধু অমা য়াম্না ফাউগৎলকখি, মহাক রামকৃষ্ণ পরমহংসনি, মাবু মী কয়ানা ইশ্বরগী অবতার অমনি খন্নবসু য়াউখি।

মমাংঙৈগী সাধু-সন্তশিংগুম মহাক লাইরিক-লাইশু থোইনা খঙলু-হৈরুবদি নত্তে, দক্ষীনেশ্বরদা লৈবা ইমা কালীগী মন্দিরদা পুজারী ওইরম্বনি। অহানবদা মহাক মীশিংগা কয়া তোৎন-তীন্নদবা মথন্ত নাইতোম খাংপোক অমদা লৈদুনা, অকনবা সাধনা তৌদুনা, মতম অয়াম্বা লৈখি। সংসারগী ওইবা অপাম-মিহৌ পুন্নমক থাদোক্লগা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা অচুম্বা জ্ঞান ফংননবা কন্না হোৎনখিবনি। চহি খরা সমাজদগী তোঙান-তানা লৈদুনা অকনবা সাধনাদা চঙশিনখ্রবদা ইমা কালীগী থৌজান্দগী অচুম্বা জ্ঞান ফংজখি। মদুগী তুংদা মহাক মীগা তীন্নবা অমসুং মী খোনবা হৌরকখি। নহাশিংবু নুংশিনা কৌশিন্দুনা মাগী মন্দিরদা অনৌবা জ্ঞান অদু শন্দোক্লবা থবক হৌগৎলকখি। মহাক্লা ঙাঙখিবা অমসুং পীখিবা পাউতাকশিংগী লাইরিক অমসু ফোংঙখি। মহাকপু ঈশ্বরনা থারক্লবা অধ্যাত্মিক্কী গুরু অমা ওইনা খঙনরকখি।

মীয়াম তিনবা সৎসঙ্গগী থৌরমদা ভজন কীর্ত্তন তৌবা লোইরগা রামকৃষ্ণনা অধ্যাত্মিক্কী ওইবা ভাষন হেক-হেক পী। ঐহাকসু মানা ৱা অশুম্না ঙাঙবা তানবগী তাঞ্জা অমুক-অনিরক ফংখি। মদু তশেংনা লাইবক ফবনি খঞ্জখি। বেঙ্গলী মীচমশিংনা ঙাঙনবা অচম্বা বাঙ্গলা লোলদা রামকৃষ্ণনা য়াম্না ফজনা ৱা ঙাঙই, অধ্যাত্মিক্কী অরুবা ৱাফম কয়া প্রমান পান্থে কয়া পীদুনা লায়না খঙহন্নবা হোৎনৈ। রামকৃষ্ণগী অসিগুম্বা মী খোনবা লোনচৎ অমসুং মাগী জ্ঞানগী ৱাংলবা ৱাঙাঙশিং অসিনা নহা কয়া-কয়া মাগী মন্দিরদা তোয়না লাকতুনা পুল্লখি, মখোয়দুগী মনুঙদা খ্বাইদগী তোমথিন ঙানখিবা মীশক অমদি নরেন্দ্রনাথ দত্তনি। নরেন্দ্রনা মাগী নাক্তা লাকপা হৌরক্লবদা রামকৃষ্ণনা মী অতৈদা অশুম্না হায়খি, "নরেন্দ্র অসিদি লৈনা লিশীং পানবা অতাঙবা থম্বালনি।" মাগী মত মতুঙ ইন্না নরেন্দ্রদি অচম্বা মী নত্তে, মীওইবা জাতিগী য়াইফনবা অচুম্বগী মঙাল শন্দোক্লম্নবা ঈশ্বরনা মাবু মালেমসিদা থারকখিবনি। রামকৃষ্ণদি মীগী মশক উরগা মীদুগী তুং-মাং অমসুং মাগী পুক্লিং ৱাখল খঙবা ঙম্বনি। নরেন্দ্রনাথ দত্তবু মহাক্লা খঙখিবদু করিমত্তা লানখিদে। রামকৃষ্ণনা মাগী মঙলান অমা পাঙথোক্লবা মতম কুইনদগী নরেন্দ্রবু ঙাইরকখিবনি।

নরেন্দ্র লাক্কদরা হায়দুনা রামকৃষ্ণনা মাগী মন্দীরদা নুমীৎ খুদীং খৌরাংনা ঙাইখি। অমরোমদা নরেন্দ্রদি মাগী কলেজগী লাইরিক লাইশু পাবা অমসুং অতৈ শান্নখোৎনবা থৌরম লৈবনা পাক হেক লাকপা ঙল্লমদে। রামকৃষ্ণনা নরেন্দ্র লাকমন্দ্রবদুদা মমান্নবশিংদা নরেন্দ্র লাকখিদ্রে করি তৌখ্রবগে হায়না তত্তনা হংখি। নোংমদি নরেন্দ্রগী মমান্নবা অমা লাকপা উরদুনা রামকৃষ্ণনা "নরেন্দ্রদু ঐনা উননীংই হায়দুনা কৌরকউ য়ারবদি নঙগা শোইদনা লাকমীন্নৌ" হায়না শিন্নখি। নরেন্দ্র লাকলে, মতমদুদা রামকৃষ্ণগী কা অদুদা মী কনাশু লৈতে, মাবু কৌশিল্লদুনা রামকৃষ্ণনা হংলকই, "ঐনা নঙবু উননীংবা মতম অশুক কুইরবসিদা নঙদি লাক্তে করিগীনো? ফরে ঙসিদি লাক্লে ঐ নুংঙাইরে।" রামকৃষ্ণনা নরেন্দ্রগী মনাক্তা চঙশিন্দুনা মাগী থবাক্তা খুবাক্লা ঙাইহাক নমখি। খুদক্তুদা অরংবা মৈঙাল অমনা নরেন্দ্রগী মমায়দা য়ৈবগুম থোকখি, মহাক কোক ঙাউখি, মাগী মমীত্তা পোৎ খুদীংমক উরু উরু লৈরগা অহাংবদা তিনখীবগুম তৌরকখি। নরেন্দ্রনা লাওরকখি, "করিনো নঙনা ঐঙোন্দা তৌবীরিবসিবো? য়ুমদা ইপা ইমা লৈহৌরিয়ে।" রামকৃষ্ণনা নরেন্দ্রগী নঙ্গনদা খুবাক্লা পোপ-পোপ ফুরগা হায়রকখি, "য়ারে-য়ারে, অহৌবগী ওইনদি য়ারে, খর লৈরগা ফরক্কনি।"

থৌদোক অদুগী তুংদা নরেন্দ্র রামকৃষ্ণ পরমহংসগী অচানবা শিষ্য হায়বদু ওইখরে। রামকৃষ্ণনা মাগী শিষ্য ওইনবা মী খনবদা য়াম্না চেকশিন্না চাংয়েঙ তৌই, অরাকপা নহা পুম্বা হেক্তা লৌশিন্দে। মাগী শিষ্য ওইরবশিংদা অকনবা থকশি-খাশি অমসুং নীতি-নিয়ম ঙাক্লা সাধনা কয়া তৌহনখি। চাব-থকপদসু অথিংবা কয়া থমখি পুক্লিং লাকশিনবদা মতেঙ ওইনবা হায়দুনা, অকক্লবা নুমীত্তা চরা হেন্দুনা ব্রত্ত তৌরগা ইমা কালীবু ধ্যান তৌহনখি। অসিগুম্বা চৎন-লোনচৎশিংসে রামকৃষ্ণনা লৈখিদ্রবা (ইংশক ১৮৮৬) মতুঙদসু অদুমক চেকশিন্না ঙাক্লখি।

মাগী গুরুনা চৎলমদাইদা হায়রম্বা মতুংইন্না বড়ানগরদা লৈবা অমনবা য়ুম অমদা নরেন্দ্রনা লুচীংদুনা শিষ্য ময়াম পুন্দুনা লৈমীন্নখি, মফমদুদা নরেন্দ্রনা হিন্দু শাস্ত্রগী লাইরিকশিং নৈনদুনা সাধনা কন্না তৌখি। অফবা নুমীৎ অমদা যজ্ঞগী মৈ হৌগত্তুনা মখোয় ময়াম সন্ন্যাসী ওইরে হায়না ৱাশক লৌনখি। সন্ন্যাস-ধর্ম লৌবদা নরেন্দ্র অনৌবা মীং স্বামী বিবেকানন্দ হায়বসি লৌখি। 'স্বামী' হায়বসি কাংলুপসিনা লৌজবা টাইইলনি, বিবেকানন্দ হায়বদি অচুম্বা বিচার (ৱাখল) দা দুংঙাইজবা হায়বনি।

রামকৃষ্ণদি য়াম্না তোয়না সংসারসিগী ৱাংমদা চৎখিবগী ফিভম (Trance) অমা ময়াম্না উবা ফংনখি। মওং অদু বু 'সমাধি' দা লৈখ্রবা হায়রগা খঙনৈ। মওং অসি অচম্বা সাধু অমনা পাকহেক য়ৌবা ঙম্বদি নত্তে। ১৮৮১ দা ঐনা মতমদুগী মমীং লৈরবা স্বোলার কেশব চন্দ্র সেন অমসুং অতৈ মী খরগা রামকৃষ্ণনা ৱা ঙাঙবা তানীংদুনা ঐখোয় হী অমা তোংদুনা গঙ্গা তুরেলগী পরীংদা চৎখি। ইমা কালীগী অথোইবা ভক্ত অমা ওইরবশু রামকৃষ্ণনা নিরাকার (মশক মওং লৈতবা) ব্রহ্মগী মরমদা য়াম্না ফজনা ৱা হেক হেক ঙাঙখি। কেশবচন্দ্রগা মায় ওনশিন্নদুনা ৱারী ঙাইহাক শানরিঙৈদা রামকৃষ্ণদি থাজদনা তুমীন্না লৈখ্রে 'সমাধি'দা য়ৌখ্রে, মাগী মনাক্তা ঐখোয় ময়াম লৈরী হায়বসু খঙখিদরে, থৱাই য়াউদ্রবা মুর্ত্তিগুম পদ্মাসন্দা ফমদুনা মীৎ উইশিন্দুনা লৈখরে। ঙাইহাক্কী মমাঙদা নিরাকার ব্রহ্মগী গুনশিং শিংথাদুনা অৱাংবা থাক্কী জ্ঞান ঐখোয়দা তাক্লবা হোৎনরম্বনি। মাগী মচীনবান্দুদি নোকমি নোকমি তৌবা উই মখুৎ অনীদু তম্পাক্তা করিমত্তা লেঙদনা তাদুনা লৈ। ফনা কুইনা রামকৃষ্ণনা মীৎ পাংথোরকপা অমসুং হান্নগুম জ্ঞান তারকপা ঙাইদুনা লৈরে। ঐখোয়গী মরক্তা ভজন-কীর্ত্তন শকপা হৈবা ত্রিলোক সন্যাল কৌবা ভক্ত অমশু য়াউই, মহাক্লা পুং যন্ত্র য়াউনা লাইশোনইশৈ অমা শক্লকখি। ইশৈদু লোইরকপদা রামকৃষ্ণ হান্নগী মওংদা হঞ্জিল্লকখি, ময়ামদা নোকমি- নোকমি তৌনা ৱা ঙাঙলকখি।

নোংমা, রামকৃষ্ণনা কলকত্তাগী শায়োকশঙ 'জুলোজিকেল গার্ডন' য়েংলুশি হায়রকখি। মহাক্লা থবক অমা পাগ্লে হায়রবদি পন্থুবা য়াদে, য়ারীবামখৈ থুনা থৌরাং তৌদুনা চৎপা তাবনি। শ্রীমদ ভগবদ গীতাগী শ্লোক অমদা অসিগুম্বা জীবন্মুক্ত ওইরবা মীশিংদি অঙাঙগুম্না মপুকচেল চমই হায়বদু মাগী মতৌদুদা নীংশিংলকখি। টেক্সী অমা ফাদুনা ঐখোয় খরা রমেকৃষ্ণগা লোয়ননা জুদা লাকলে। শা মখল খরা অশুম য়েংলম্বদগী মহাক্লা হায়রকই, " নোংশা য়েংগে, নোংশা হায়বদু কদায়দা লৈ? " নোংশা লৈবা শারংদু থীদুনা মাবু ঐখোয়না পরপ-পরপ পুরে। মফমদুদা চাউ-শাংলবা নোংশা লাবা অমা লৈরম্বা উরে। রামকৃষ্ণনা মদু উরগা হরাওনা ঐখোয়দা য়েংলগা হায়রকই, "ইমাগী শাদোংনি, মহাকসে অচম্বা শা নত্তে শাপুম্বগীসু নিংথৌনি।" অসি হায়রগা মকোকনোন্না নোংশাদুদা মহাক্লা খুরুমখি। ঐখোয় ময়াম মহাক্কী মওংশিংদু য়েংদুনা লৈরে। ঙাইহাক লৈরগা নোংশাগী মমাঙ মক্তদা রামকৃষ্ণ লৈমায়দা ফমথখরে অদুগা খঙহৌদনা মাগী হৌনবী 'সমাধি' দা লৈখরে। ফনাকুইনা মমীৎ পাংথোক্লকখিদ্রে, ঐখোয় ঙাইদুনা অদুম লৈবা তাখি। মমৈথঙদা জ্ঞান লাক্তুনা হান্নগুম ৱা ঙাঙলকপদা মহাক্লা "হল্লশিরা?" হায়রকখি। ঐখোয়না য়েংগদবা শা য়াম্না ৱাংলি হায়রুবদা মহাক্লা হায়রকই, "শাগিং য়েংনীংবা লৈত্রে, চৎলশি"। অশুম্না মাবু পুদুনা ঐখোয় হল্লকখি।

রামকৃষ্ণ পরমহংসবু মন্দিরদা লাকপা ভক্ত অয়াম্বনা মহারাজ হায়না মীঙ্গৌনৈ। সমাধিদা য়াম্না তোয়না লৈদুনা মহাক মশানা সংসারসিদা লৈনা-লৈনা পরমাত্মাগা অমত্তা ওইখিবগী মওংসিনা ভক্তশিং অমসুং সেবকশিংদা অকনবা পুক্লিং - ইথিল পীখি। ফনা য়াম্না হোৎনরবসু মী অয়াম্বনা ঙম্নদে। ধ্যান্দা লৈরগা সমাধিদা য়ৌবা ঙমখিবশিংগী মনুঙদা স্বামী বিবেকানন্দসু অথোইবা অমনি। রামকৃষ্ণনসু খঙই বিবেকানন্দগী তোপ তোপ্পা গুনশিং অদুনা মহাক্লা অখন্নবা থবকশিং মঙোন্দা পাংথোকহন্নবা মাগী পুক্লিংদা অচেৎপা ৱাখল অমা য়োকখৎতুনা থমখিবনি। মী খরনা রামকৃষ্ণনা মমাধিদা লৈবদু ফোটোনম্নবা হোৎনখি, অদুবু মমীতাউহায়বা য়াখিদে।

নরেন্দ্রনাথনা নোংমা রামকৃষ্ণদা মহাকসু সমাধিদা লৈবদু পাম্মী মদুগী মওংদু য়ৌনবা ধ্যান করম্না তৌবগে তাকপীয়ু হায়রুখি। মদুদা রামকৃষ্ণনা নোক্লদুনা হায়খি, "ঙাইখোদা, নহাক্তি অধ্যাত্মিক্কী ওইবা অচুম্বা জ্ঞান মফম কয়াদা চত্তুনা পাকশন্না শন্দোক্কদোবা ৱাংলি। মতম খরা লৈরগা নশা নথন্ত ঙল্লক্কনি।" নরেন্দ্রনা মাগী গুরুগী মওং য়েংলগা পুক্লিং লাকশিন্দুনা ধ্যান তৌবদা মহাকসু থোইনা ৱাদনা সমাধিগী মওংদু য়ৌখি। মহাক্লা অশুম্না সমাধিদা লৈখিবদু শিষ্য খরনা রামকৃষ্ণদা তম্লুবদা রামকৃষ্ণনা হায়খি, "ঐ খঙই, মহাক ঙমখিগনি হায়বা। করিশু কায়দে অফবা ৱানি, মহাকসু অশেংবা নুংঙাইবা হায়বদুগী মহাওদু মরক -মরক্তা ফংজসনু।"

রামকৃষ্ণনা হীংলিঙৈদা নরেন্দ্রগী মরমদা মাঙজৌননা হায়রম্বা ৱাশিংদু তুংদা অচুম্বা ওইনা থোক্লখি। মহাক্লা সংসার ৱাংমদা চৎখ্রবদসু নরেন্দ্রগী নাক্তা তত্তনা য়ৌরক্তুনা মাবু লমজীংলখি। নরেন্দ্রদি চুম্নগী সন্ন্যাসী অমা ওইনা মুক্তি ফংনবগীদমক মায়াগী গুরুনা অনীংবা অমগী মতুঙইন্না ওইহনখিবনি। অদুমকপু, মাগী থৌদাং হেক লোইবগা মায়া সংসারগী ৱাংমদা মানা চৎনীংলে হায়বা নুমীত্তা হেক্তা চৎখিবনি। লম্বোইরবা বিবেকানন্দনা চহি খরা পরিব্রাজক ওইনা ভারতবর্ষগী লমকয়াদা কোইনা চত্তুনা ভারতপু মুন্না মশক খঙদোকখি। মাগীগুরুনা নীংলম্বা ৱাখলশিং পাংথোক্লতবা নোংচুপকী লৈবাকশিংদা চত্তুনা অধ্যাত্মিক্কী জ্ঞান মরুওইনা বেদান্তগী অচুম্বা শন্দোক্লমখি। মীখা পোল্লবা মরৈবাক ভারতকী মীয়ামদসু অনৌবা থৌনা হাপ্নবা কন্না হোৎনখি। মপোক্কী ওইনা য়াউজরক্লবা গুনশিংগী মথক্তা মাগী গুরু রামকৃষ্ণনা অহেনবা শক্তিশিং পীদুনা অমসুং তৌগদবা থৌদাংশিংগী লমজীং উত্তুনা বিবেকানন্দনা মীওইবগী য়াইফনবা তৌরমখি। নোংপোক নোংচুপ অনিমক্তা মাবু কাউনদ্রি ঙসিসু।

*(মথঙ-মথঙ)*

## পুন্সিরোল শাজেল লাইনিং-৯

মোইরাংচা সোইবম সলাইলেম্বা

মমাং লৈবাকপোকপগী মখা...

মমাংগী শরুক্তা হায়খিবা নিংশা কাংলোন অসিগা লোয়ননা হকচাং লাইয়ুমদা শাৎলিবা থম্বাল অহুম অসি মরম্বা মতমদা শাৎলি করম্বা মতমদা পোমশিল্লি হায়বা খঙনবা শান্নবা মশান্না অদুবু চীঙৌরোল শান্নবা কৌই। চীঙৌরোলনা য়াকাইরোল শকপা কৌই। অসুম্না হকচাংদা লৈরিবা লাইয়ামশিংবু হৌদোকপীবগা লোয়ননা নিংশা থিংবা য়াওদনা খোঙ অসি য়েৎ অমুক ওই অমুক চপ য়ুংনা তিংনা থাঙ্গৎকনি। থাঙ্গৎপা মতমদা নিংশা চিংশিনগনি। থাঙ্গৎপা মপুং ফাবা চপ তিংবা মতমদা খুৎনা পায়গনি। খুৎনা পায়বগী মওংদি খুদোল মরি অদুনা খুয়া থম্বালদা খুবিনা খোংনমদা থম্লগা পায়গনি। হেক পায়বগা খোঙ অদু অমুক থাদগনি। থাদবা মতমদা নিংশা হোন্দোক্কনি। নিংশা চিংশিনবদা চংলিবা মতমদুগা খোঙ থাঙ্গৎপা অদুগা মান্নহনগনি। অসুম হায়না খোঙ থাদবা মতমদসু হোন্দোকপদা চংলিবা মতমদুগা চানহনগনি। খোঙ থাদবা খুদিংমক্তা খুৎশা অদু খোঙদুদা নাম্বরগা থাদমিন্নগনি। মসিদা মশিং ৩, ৫, ৭ ফাওবা শান্নবা য়াই। ৩, ৫, ৭ হায়রিবা মশিং পাবা অসি য়েৎ থাঙ্গৎপা অমুক থাদবা, ওই থাঙ্গৎপা অমুক থাদবা, মসিনা অমা হায়না পাগনি। অসুম্না অহুম্লক, মঙারক, তরেৎলক শান্নবা অসিবু চীঙৌরোলনা য়াকাইরোল শকপা হায়না কৌগনি। য়াকাইরোল শকপা লোইরবদা চীঙৌ ফিদুপ ৩, ফিদুপ-৫, ফিদুপ-৭ অমসুং ফিদুপ-৯ না মপুগী মীংখৈ শোনবা হৌরগনি।

ফিদুপ অহুম্না মীংখৈ শোনবাঃ-

অহানবা কল্লাক অনি অসি চপ তিংনা য়াং অসিসু চপ তিংনা মায় অৰাং নত্রগা নোংপোক ওন্না ফম্লগা লৈগনি। মতম খুদিংমক্তা য়াকাইরোল শকপা, মীংখৈ শোনবা মতমদা অৰাং নোংপোক নত্রগা চীঙৌ ওল্লগদা পাংথোক্কনি। নিংশা হোন্দোক্লিঙৈদা খুৎ অনিনা খুয়া থম্বাল পায়নবা হোৎনগনি পায়দুনা লৈগনি। খুৎ পায়না পায়না নিংশা চিংশিনগনি। নিংশা চিংশিনবা মপুঙ ফাবদা থিংলগা থমগনি। ঐনা ঙম্বগী চাংদা থিংদুনা থম্লগা থমগনি। ঐনা ঙম্বগী চাংদা থিংদুনা থম্লগা চিন্দা শহুম পীক্লা নিংশা থাদোক্কনি। থিংলগা ১৬, ২০, ২৪, ২৮, ৩২ হোন্দোকপা মীকুপ ৮, ১০, ১২, ১৪, ১৬ চিংশিনবা মীকুপ ৪, ৫, ৬, ৭, ৮ চংনা তপ্না ইপোম নাইদনা ইশা ইশানা ঙম্বগী চাংদা শান্নবীগনি।চিংশিনবনা নাতোন্দা হোন্দোকপনা চিনসি খজিক পীকশিনবীরগা চিন্দা হোন্দোকপীগনি।

ফিদুপ মঙানা মীংখৈ শোনবাঃ-

ফিদুপ অহুম্না মীংখৈ শোন্না শোন্না ফিদুপ অহুমগী ফমফমদুদা নিংশা শাংনা হোন্দোক্লিঙৈদুদা লাইপক্লা খুকউ মখাগী খুরাই অসি থেংনা খুৎ অনিনা খুয়া থম্বাল পায়দুনা লৈগনি। কোক হায়গৎলোই। কোক শুকহাই হায়গৎতনা নিংশা অমুক চিংশিনগনি। মখোন থোক্লা হোন্দোক্কনি। হকচাং থুপচিনবা ৱাবা মরম্না মতোমতা মখোল থোকখিবনি। মী মীদুনা ঙম্বগী চাংদা মশিং খরা চথবিগনি। ফিদুপ মঙানা মীংখৈ শোনবসিদি খরা চথবিগনি। ফিদুপ মঙানা মীংখৈ শোনবসিদি খরা চেকশিনবীগনি। হান্না শান্নখিবা নত্রবদি ৱাগনি। অদুনা অমুক্তং নিংশা হোন্দোক্লিঙৈদা কোক্লা খুরাই থেংবীবা য়াই। অসুম লুকথরগা লৈবীবা নত্তবদা মশিং খরা তৌবিবা য়াই। অমদি নুমিৎ খরা চথবিরবা তুংদা ঙল্লক্কনি। পুক য়াম্না কংথোকখ্রবা মীওইদদি অৱাবগী মশক্লি। হকচাংগী শিংলি নাওরী পুন্নমক নাবা ফাওগনি। লাইয়েংশঙদা চৎলগা য়েংবনা ফরগদ্রা হায়বা ফাওবা খনগনি। খরা চেকশিন্না তৌবিগদবা ওই। খ্বাংদা শেৎপা ফিরোলসু কোমথোকহনবীগনি। শান্নবা হৌগৎলকপদদি নোংমা লেপ্পগা নোংমা চথবসু তৌবিগনি। শিংলি নাউরী নাবা খরা ফরক্লবদি নুতি নুমিৎ খুদিংগী চথবীগনি। ফিদুপ মঙাগী শান্নবা লোইশিল্লগা হায়বা কান্দা উপশিল্লগা লৈরম্বা মায় কোক অদু য়াম্না তপ্না তপ্না হায়গৎপীরক্কনি। হায়গৎলকপগা লোয়ননা নিংশাসু য়াম্না তপ্না তপ্না পীক্লা শাংনা হোন্দোকপীগনি। নিংশা হোন্দোকপগা লোয়ননা য়াং অসি চপ তিংনা হায়গৎপীরক্কনি। অদুগা নিংশা ঙাইহাক শাংনা হোন্দোক হোনজিন তৌদুনা হান্নগী নিংশাগী ফিভম তাদ্রিফাওবা নিংশা শান্নদুনা লৈবিগনি। নিংশা ফিভম তারবা মতুংদা তরেৎশুবা ফিদুপ্পা মপুগী মীংখৈ শোন্নবা মখা চথবিগনি।

*মখা মথং লৈপাকপোকপা নুমিংতা......*